

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 06, 2019 PAGE 7

*ক্রিকেটকী ফোরমেট অহুমক্তগী পোত্থারগনি হায়না লাওথোকখ্রবা ন্যু জিলেন্দগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন ব্রেন্দন মেককুল্লম*

*নিংথোকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং সেসন্দা য়েৎকী খুবোম শোক্তুনা লায়েং চত্থরিবা বার্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর লিওনেল মেসি*

## ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়াগী প্রোবেবল লিষ্টতা মণিপুরগী অমরজিৎ, উদান্ত অমদি রঞ্জন য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

ওমান অমদি এসিয়ান চেম্পিয়ন কাটারগা শান্নগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ২০২২ ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়াগী মেম্বর ৩৫ না শাবা প্রোবেবল লিষ্ট লাওথোরকপদা মণিপুরগী শান্নরোই অমরজিৎ সিংহ কিয়াম, উদান্ত সিংহ অমদি সলাম রঞ্জন সিংহ য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র টিমগী নৌনা কোচ ওইখ্রবা ইগোর ষ্টিমেকনা ইন্দিয়াগী মেম্বর ৩৫ না শাবা প্রোবেবল লিষ্ট অদু ঙসি লাওথোকখিবনি। শান্নরোই ৩৫ অসিনা নেসনেল কেম্পকীদমক থা অসিগী ১৯ দা গোৱাদা থুং লগদবনি। প্রেক্টিষ্টনা মথং নুমিৎতা হৌগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

অমরজিৎ সিংহ কিয়াম কুমজা ২০১৭ দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা য়ু-১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইখিবনি। মহাক হৌজিক-হৌজিক ঝরখন্দগী ক্লব জমসেদপুর এফসিদা শান্নরিবনি।

উদান্ত সিংহ ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমদা মেটচ ৩০ হেন্না শান্নবা ঙমখ্রে। মহাক হৌজিক ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিদা শান্নরি।

সলাম রঞ্জন সিংহ ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমদা মেটচ ১৮ শরুক য়াবা ঙমখ্রে। সলাম রঞ্জন সিংহ হৌজিক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্লব এটলেটিকো দি কোলকটাদা শান্নরিবনি।



অমরজিৎ সিংহ



উদান্ত সিংহ



রঞ্জন সিংহ

ইন্দিয়াগী নুপা টিম অসিনা ৱার্ল্ড কপ ২০২২ গী ক্বালিফায়রগী অহৌবা মেটচ ওইনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৫ দা ওমাননা শান্নগনি। ক্বালিফায়র টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা সেপ্টেম্বর ১০ দা এসিয়ান চেম্পিয়ন কাটারগা শান্নগনি।

ওমাননা শান্নগদবা মেটচ অসি অসামগী সিটি গুৱাহাটিদা শান্নগনি। ইন্দিয়ানা মথংগী মেটচ শান্ননবগীদমক দোহাদা অমুক চৎকনি। ইন্দিয়াগী গ্রুপ অসিদা অতোপ্পা লৈবাক অনী আফগানিষ্টান অমদি বাংলাদেশসু পুল্লি।

য়ু এ ইনা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোকখিবা এ এফ সি এসিয়ান কপকী মেটচ খুদিংমক্তা শরুক য়াখিবা ৱিঙ্গর হালিচরন নরজারিসু প্রোবেল লিষ্ট অসিগী মনুং চনখ্রে।

কুমজা ২০১৮-১৯ সিজনগী ইন্দিয়ান এরোজদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই অহুমসু নেসনেল কেম্প অসিগী খনগৎপদা য়াওখ্রে। মখোয়শিং অদুদি অমরজিৎ সিংহ কিয়াম, নরেন্দর গেহলোট অমদি অনৱার আলিনি।

ইগোর ষ্টিমেকনা লাওথোকখ্রবা শান্নরোই ৩৫ গী লিষ্ট অদুদি- গোলকিপরদা গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু, অমরিন্দর সিংহ, কমলজিৎ সিংহ অমদি ভিসাল কাইথনি।

দিফেন্দরদা রাহুল ভেকে, নিসু কুমার, প্রিতম কোটাল, অনাস ইদাথোদিকা, সন্দেস ঝিঙ্গান, অনৱার আলি, নরেন্দর গেহলোট, সরথাক গোলুই, অদিল খান, সলাম রঞ্জন সিংহ, সুবাসিস বোস, জেরি লালরিনজুৱালা অমদি মান্দর রাও দেসাইনি।

মিডফিল্ডরগীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি নিখিল পুজারি, উদান্ত সিংহ, অনিরুধ থাপা, রেনিয়র ফর্নান্দেজ, ভিনিট রাই, সাহল অব্দুল সামাদ, অমরজিৎ সিংহ কিয়াম, প্রোনোই হাল্ডর, রোল্লিন বোরগেস, ব্রেনদন ফর্নান্দেজ, লাল্লিয়ানজুৱালা ছাংটে, হালিচরন নরজারে অমদি অসিক কুরুনিয়াননি।

ফোরৱার্দকীদমক খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি বলৱন্ট সিংহ, সুনিল ছেত্রি, জোবী জষ্টিন, ফারুখ চৌধারি অমদি মনভির সিংহনি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা নুপাগী অদুগা য়ু এসকী জেসিকা পেগুলানা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে

*ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*


য়ু এসকী কোনুং ৱাশিংটনদা চত্থরকপা সিটি ওপন টেন্নিসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা নুপাগী অদুগা য়ু এসকী জেসিকা পেগুলানা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।


সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা ৩শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতগী হৌরগা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি। অহানবা সেট অদু টাই ব্রেক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভপু ৭-৬(৮-৬) তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু শান্নরোই অনীমক অমনা অমগী মশান্নদা হেনজিনবা ঙম্নদনা লাকখিবদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক কিরগিওসনা ফজবা হেনখিবদগী ৭-৬(৭-৪) দা থোইবা ঙমখিবদগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা





*নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন নিক কিরগিওস (ওই) অমদি নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জেসিকা পেগুলা*

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক য়ু এসকী শান্নরোই জেসিকা পেগুলানা ইটালিগী কামিলা জিওর্জিবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতগী হৌরগা য়ু এসকী জেসিকানা ইটালিবু কামিলাবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি। জেসিকানা কামিলাগী সার্ভিস গেম অনী ওন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা সেট অমা মাঙজিল থারিবী য়ু এসকী শান্নরোই জেসিকা পেগুলানা অনীশুবা সেটতসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা চত্থবা ঙমখিবদগী মহাক্না ইটালিগী শান্নরোই কামিলাগী জিওর্জিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদুসু ৬-২ দা লায়না থোইবা ঙমদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেন অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসনা নেদরলেন্দসকী জে জে রোজর অমদি রোমানিয়াগী ঐচ টেকাওবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৩-৬, ৬-৩, ১০-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী পেয়র সি গাওফ অমদি সি মেকনেল্লিদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র য়ু এসকী এম সঞ্চেজ অমদি ওষ্ট্রিয়াগী এফ ষ্টোল্লরবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

## অনীশুবা টি-২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু দি এল এস মেথদতা রন ২২ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ফ্লোরিদা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা অমদি অরোইবা টি-২০ মেটচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ৱেষ্ট ইন্দিজবু দি এল এস মেথদতা রন ২২ দা মায়থিবা পীদুনা টি-২০ সেরিজ লৌখ্রে।

অনীশুবা টি-২০ মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৭ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রোহিট শর্ম্মা অমদি সিখর ধৱননা হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু রন ৫০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। ওপনর সিখর ধৱন বোল ১৬ ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৩ লৌরল্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৬৭ দা লৈখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি শান্নবা চঙলকখি। রোহিট শর্ম্মনা ভিরাট কোহলিগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ লাম্থোকল্লকখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৫১ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা মশাগী রন ৬৭ শরুকপদা আওট ওইখি।



নৌনা চঙলকখিবা রিসব পন্টসু শুপ্পগী রন ৪ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি। ভিরাট কোহলিসু বোল ২৩ দা সিক্স অমদি ফোর অমমম য়ৈরগা রন ২৮ লৌরল্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা মনিস পান্দেসু শুপ্পগী রন ৬ খক লৌরল্লগা আওট ওইখি।

ক্রুনাল পান্দে অমদি রভিন্দ্র জাদেজানা মথংশিংৎনা আওট ওইদনা রন ২০ অমদি ৯ লৌরল্লবা অসিনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ওভর ২০ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৬৭ লৌরমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী রন ১৬৮ লৌনবা হোৎনরকপদা ১৬শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ৯৮ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোং লেপ্তুনা তারকপদগী মখা তানা মেটচ শান্নবা য়াখিদবদগী ইন্দিয়ানা দি এল এস মেথদতা রন ২২ দা মায় পাকখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু হৌবদগী ফিভম শোকখি। ওপনর অনী অপুনবা রন ৮ শুরকপদা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন নিকোলাস পুরান অমদি রোভমান পোৱেলনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

নিকোলাস পুরান বোল ৩৪ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৯ লৌরল্লগা আওট ওইখি। রোভমান পোৱেলনা বোল ৩৪ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৪ লৌরম্বা অসিদা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

কৈরোন পোলার্দ অমদি সিমরোন হেটমিয়রনা মথংশিংৎনা আওট ওইদনা রন ৮ অমদি ৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মখা তানা মেটচ শান্নবা য়াখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা দি এল এস মেথর্দতা রন ২২ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ক্রুনাল পান্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি। ৱাশিংটন সুন্দর অমদি ভুবনেশ্বর কুমারসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন অমমম আওট তাহন্দুনা টিম অসিনা মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।

## দুরান্দ কপ ২০১৯ঃ সুরেসনা অথেংবদা চনখিবা পেনাল্টিগী পাঞ্জলনা বেঙ্গালুরু অমদি আর্মি রেদ ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে



*কোলকটা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপকী ১২৯শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সুরেস ৱাংজমনা অথেংবদা চনখিবা পেনাল্টিগী পাঞ্জলনা বেঙ্গালুরু আর্মি রেদকা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

বেঙ্গালুরু অমদি অর্মি রেদনা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী লম্বা মান্নবা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখ্রবসু আর্মি রেদকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

আর্মি রেদকী শান্নরোইশিংনসু কাউন্টর এটেক কয়া চত্থবা ঙমখ্রবসু মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ শান্নবা লোইশিনখ্রবা মতুং অহাপ্পা মিনটকী ৪শুবদা আর্মি রেদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা লিটোন সিলনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা আর্মি রেদগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চত্থদুনা প্রেসর পীশিনবা হৌরকখি। অদুবু মেটচকী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ৱাংজম সুরেস সিংহনা পাঞ্জল ওম্থোক্তুনা ১-১ দা মান্নদুনা লৈখিবা অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ 'এ' দা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মেটচ অমা শান্নখিবা মায় পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙল্লি। ইষ্ট বেঙ্গলনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচতা আর্মি রেদপু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরল্লগা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখিবনি।

দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ান নেভী অমদি এটলেটিকো দি কোলকটাসু পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়ান নেভী অমদি এঠলেটিকো দি কোলকটানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী ইন্দিয়ান নেভীগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংনা লাকখি।

শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান নেভীগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা হরিকৃষ্ণনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাক্নখি। মেটচকী ৮৮শুবা মিনটতা এটলেটিকো দি কোলকটাগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই প্রাবির দাসনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ান নেভী অমদি এটলেটিকো দি কোলকটা গোল ১-১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

## ফাষ্ট বোল্লর দেল ষ্টেন টেষ্ট ক্রিকেট মশান্নদগী পোত্থাখ্রে



*দরবান, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

সাউথ অফ্রিকা ক্রিকেট টিমগী মমিং লৈরবা ফাষ্ট বোল্লর দেল ষ্টেন টেষ্ট ক্রিকেট মশান্নদগী পোত্থারগনি হায়না ঙসি লাওথোকখ্রে।

মশাগী চহী ৩৬ শুরবা সাউথ অফ্রিকাগী ফাষ্ট বোল্লর দেল ষ্টেন মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা টেষ্ট মেটচ ৯৩ শান্নবা ঙমখ্রে। মসিদা মহাক্না ৱিকেট ৪৩৯ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী এভরেজনা ২২.৯৫ ওইদুনা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা বোল্লরশিংগা য়েংনবদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স অমা ওইবা ঙল্লিবনি।

ফোরমেট অসিদা মতম কুইনা শান্নরক্নবা মতুং ঙসি মহাক্কী পোত্থাবগী ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। মহাক কুমজা ২০১৯-২০ সিজন ফাওবা হ্বাইট বোলনা শান্নগদবা মেটচশিংদা শরুক য়ানবগী কন্ট্রেক্ট য়ান্নখিবনি। অদুবু মহাক্না পোত্থাবগী ৱারেপ অসি অথুবদা লৌরকখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

দেল ষ্টেননা টেষ্ট ফোরমেটতগী পোত্থাবগী ৱারোল অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মহাক্কী লেমহৌরিবা শান্নবগী কেরিয়র অসি অতেনবা ফোরমেট ওইরিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমদি টি-২০ দা হেন্না ফগৎনবা হোৎনরগনি।

ফোরমেট অনী অসিদা মতম কুইনা শান্নবা ঙম্নবগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবা পূন্নমক হোৎনগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লা লীগাগী মাঙওইননা মেসি শোকখ্রে

*বার্সেলোনা, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাগী কেপ্টেন লিওনেল মেসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং সেসনদা ওইথংবা খুবোম শোক্তুনা লা লীগা টুর্নামেন্টকী মেটচ খরা য়াওবা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লৈখ্রে।

মেসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী য়েৎথংবা খুবোমগী অশোকপা অদু হৌজিক য়াম্না কন্না লায়েংলি। মসি ফগৎনবা হোৎনবদা চয়োল অনীদগী তাদনা চঙখিগনি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাদা বার্সেলোনাগী অহৌবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৬ দা এঠলেটিক বিলবাওগা শান্নগনি।

## গ্রিসকী সিটসিপাস এ টি পি রেঙ্কিংদা অহানবা ওইনা টোপ ফাইভকী মনুং চনখ্রে

*পেরিস, ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ*

গ্রিসকী টেন্নিস শান্নরোই ষ্টেফানোস সিটসিপাস এ টি পি রেঙ্কিংদা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা টোপ ফাইভকী মনুং চনবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২০ শুরবা গ্রিসমচা ষ্টেফানোস সিটসিপাস য়ু এসকী কোনুং ৱাশিংটনদা ঙসি লোইশিনখিবা সিটি ওপনদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়াদুনা সেমি ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি।

সিটসিপাস সিজন অসিদা মার্সিয়েল অমদি ইষ্টোরিলদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংগী টাইটল লৌবা ঙমখি। অদুগা মাদ্রিদতা পাঙথোকখিবা মাষ্টর্স ১০০০ গী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অসিদা মপুং ওইরগা এ টি পি রেঙ্কিং অসিদা নম্বর ৫ শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলস রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোভিসনা পোইন্ট ১২,৪১৫ ফংদুনা অহানবা পোজিসনদা লৈরি। স্পেনগী রাফেল নদালনা পোইন্ট ৭৯৪৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা পোইন্ট ৭৪৬০ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙল্লি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরবা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ থাক অমা হাইগৎলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ২৪১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | P | T | S | ■ | ■ | S | E | D | G | E | ■ | D | U | G |
| F | R | A | T | ■ | S | P | R | A | W | L | ■ | U | N | O |
| T | O | R | O | ■ | T | A | S | S | E | L | ■ | C | R | O |
| ■ | B | R | O | M | I | D | E | ■ | N | I | C | K | E | D |
| B | O | I | L | E | R | ■ | ■ | ■ | ■ | S | H | O | A | L |
| I | N | E | P | T | ■ | O | L | A | F | ■ | I | N | D | Y |
| N | O | S | I | R | ■ | L | E | N | O | ■ | C | A | Y | ■ |
| ■ | ■ | ■ | G | O | O | S | E | N | E | C | K | ■ | ■ | ■ |
| ■ | C | H | E | ■ | H | E | R | E | ■ | H | E | R | B | S |
| O | R | E | O | ■ | O | N | Y | X | ■ | A | N | E | R | A |
| B | E | N | N | Y | ■ | ■ | ■ | ■ | P | R | E | L | A | W |
| L | A | P | S | E | D | ■ | T | R | I | O | D | E | S | ■ |
| A | T | E | ■ | A | R | C | H | O | N | ■ | O | A | S | T |
| S | E | C | ■ | T | O | P | I | C | S | ■ | U | S | E | D |
| T | S | K | ■ | S | P | A | N | K | ■ | ■ | T | E | S | S |